# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE - 23

**(Global Warming and emergence of new disease pattern & other health issues - I)**

*Script :*
**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপা:- (১) তোম্পোক - শকহেনবীগী মপা (২) ঙানবা - ভেটনরি দোক্তর
(৩) মঙালসনা - পাখং অমা
নুপী:- (১) ইবেয়াইমা - তোমপোক্কী নুপী
(২) শকহেনবী - লৈশাবী

(মফম:- তোম্পোক্কী য়ুম, মতম:- অয়ুক, অরাঙবা ম্যুজিক্কী মখোল তাবা)

ইবেয়াইমা :- শকহেনবী... শকহেনবী ... করিনোনে নঙনা তৌরিদুবো, ঈশৈদু অদুক হৌনা খোঙলিদুবো অয়ুক অঙনবসিদা করিগীনো হায়বনি, নাগসে লোয়না পঙবা তারে, রেডিওদু খরা লৈথৌ হায়বনি নঙবো।

শকহেনবী :- অস! ঐখোয় ইমাসিমা, ঈশৈ ঙহাক্তং থৱায় তানা নুংঙাইনা তাবসিদা ওন্থোক্লা য়েৎখরে, ইমানা তৌগদবা থবক্তু অদুম তৌবা য়াদবরো ঐঙোন্দা অমুক য়েংশিনলক্ত্র সু (খরা কন্না খুন্বা)।

ইবেয়াইমা :- ইস ! হরে হরে ঐদি নঙোন্দা করিগী য়েংশিনগদৌরিবা, ঐনা নঙোন্দা ঈশৈদু খজিক্তং তপ্পা তাও হায়রুবগীনিনে, নঙনা ঐঙোন্দা খুল্লকইবা খোন্দাদো, ফৈ ফৈ নঙ সিদগীদি ঐ নঙোন্দা ৱাগা অমতা ঙাংলরোই, নঙসু ঐঙোন্দা ঙাংলক্কনুকো, ঙসিদগী ইবানি ৱা অমতা ঙাংনরগুমসি।

শকহেনবী :- ঐখোয় ইমাসিমা, সে রেডিওগসে লোয়না মুখৎচরগে, ঈশৈগা অমতা তাজররোই (রেডিও মুখৎপা) সি ওইরদি য়াররা? হৌজিক্তি লাংদ্রবনিনা শাওবা ফরোসে ইমা।

ইবেয়াইমা :- মীনা কৌনরুগুমসি হায়রমক্তদা কৌরকইনে, মমায়সে কয়াদা ইকাইবা খঙদ্রিবনোনেসে কৌবিরক্কনু।

শকহেনবী :- (নোকপা) ঐখোয় ইমাসে অঙাং মচাগা চপ হেক মান্নে, ইমা নুংশিবী শাওরনু হায়বা হয়েংখে ইমানা হায়বা লোয়না ইঞ্জরগে সে শাওরনু হায়বা। ঐখোয় ঙসিগী চাগা অমতা লোনদ্রিবরো?

ইবেয়াইমা :- লোন্দ্রি, লোনদ্রি চাগা অমতা লোন্দ্রি ঐ, অয়ুক ঙন্তাসিদা নঙনা খোইদৌ শাওগৎহল্লবনিনা ঙসিদি চাগা অমতা লোনলরোই।

শকহেনবী :- চাদু ঐ লোনলুরগে ইমা, ঐখোয় বাবা ৰাঙ্কিং চৎখিবদুবো হৌজিক ফাওবা হঞ্জিল্লকত্রিসিবু কৈদৌরজাৎনো, কদাই য়ৌনা চৎখ্রজাৎনো।

ইবেয়াইমা :- চাদু খরা হাওনা লোনলকউ, নখোয় নপাদুসু ৰাঙ্কিং চৎলিবনি হায়দুনা চৎলগা হোটেল অমদা অমুক চঙ অমদা অমুক চঙ, চা থক্তুনা ৰারেম ঙাংদুনা লৈখ্রজাৎলো, লাক্তা লাকখিসনু খঙনি।

তোম্পোক :- (খৌদেম্বা) কনানোনে ৰারেম ঙাংদুনা লৈরিবো, ৰারেম ঙাংদৌ শরুক মথৌ মশক খঙনা তৌরদি ফদৌবা।

ইবেয়াইমা :- কনাসু নৎতেদা, মোয়বাবাবু য়ুমগী চা থকপীগদৌরিবরা, থকপীরোইদবরা?

তোম্পোক :- করিনোনে হৌজিক ফাওবা চা লোন্দ্রিবরো হায়রিসিবো, ঙসাইখে নোয়বু কৈদৌ লৈগে।

শকহেনবী :- (চা পুথোরকপা) বাবা চা সিদা লৈরে, ইমাগীসু সিদা থল্লগে।

তোম্পোক :- (চা থকপা) ইচাগী চাসিদি ওন্থোক্লা হাওখ্রেদা, নমানা লোনবা চাদগীদি ইচানা লোনবনা হেন্না হাওই।

শকহেনবী :- অদুদি হয়েংখে চাসি ঐ অদুম লোনলগেকো ইমা।

ইবেয়াইমা :- হোয় হোয় লোনলো লোনলো ঐসু ৰাই খরা শংনবা।

তোম্পোক :- ইবেয়াইমা ! হৌজিক ঐনা ৰাঙ্কিং হঞ্জিল্লকপদা লম্বীদা মঙালসনাদু থেংনৈ।

ইবেয়াইমা :- মঙালসনা হায়দি কনানোনে ঐবু নীংশিংবা থোক্তরে।

তোম্পোক :- হেরা মখা লৈকায়গী তাদা তোমালগী মচানুপা মঙালসনাদুনিদা।

শকহেনবী :- দাদা মঙালসনাদুদি ঐখোয় কোলেজদা তমই, ঐগসু খঙনৈ, মাদি য়াম্নসু ফবনি বাবা।

তোম্পোক :- হোয়নে মরম য়াম্নসু মোকপা মাল্লি, ৰাঙাং শঙাং মীকৌ মীরমসু য়াম্না ফজে, ঙানু য়েনগী ফার্মসু তৌরিবা মাল্লি।

শকহেনবী :- উম তৌবনি, নোংমা ঐনা য়েরুম ময়াম অমা পুরকখিবদো দাদা মঙালসনানা পীরকপনি।

ইবেয়াইমা :- এ ! ঐখোয়না হাওনা চাখিবা য়েরুমশিংদু মঙালসনানা পীরকপা ওইরবোরে, নঙদি নহালখৈদি হায়দে, ঙসি নপানা হৌদোরকঅকানসিদদা হায়রকই, হুম নঙসিমা ইবেম্মা (মরৌ লৈনা হায়বা) ।

শকহেনবী :- ঐখোয় ইমাসিমা, হৌজিক মতাংচারকানসিদা হায়রিসিনি, নহাল নোংমদুদি তাঞ্জা অমা চাদ্রদুনা হায়দ্রবা, সুমাইনা হায়রদি য়ারবরো ইমা।

তোম্পোক :- নখোয় নমা নচাসিদি ওন্থোকপা হায়দুনি, চিন্দা পাওদানদুনা হেক লৈ, ঐনে য়ুমদগা হঞ্জিল্লক্কদবা তল্লবনি, নখোয় অনিগী নওং নতৌসিদা।

শকহেনবী :- ঐখোয় ইমানা ফরক হেক্তা তারকপা অদুননি বাবা ! দাদা মঙালসনা থেংনরকই হায়দুবু মানা করি করি হায়রক্কে।

তোম্পোক :- মাগী ঙানু য়েনশিংদু ঙসি মানা অয়ুক মচিঞ্জাক পীজগে হায়দুনা মকোন্দা চংলুবদা অয়াম্বা লোইনা শিদুনা লৈরম্মী হায়, খরা হীংহৌরিবা অদুসু শোন্দম নাদম লোইনা তৌরে হায় অদুগী ভেটনরি দোক্তর কৌবা চৎলিনি হায়।

ইবেয়াইমা :- এ ! অদুদি কমাই তৌরিজাৎনো, ওন্থোকপনিদা নুঙাইতেদা, মাদি পৈশা ফনয়াম মাংলল্লনি য়েন ঙানু অয়াম্বা শিখ্রদি।

শকহেনবী :- পৈশাদুদি অরাইবনি ইমা, ঙানু য়েন লাইচৎ ওইনা পুল্লপ পুল্লপ শিবা হায়বসে মরম অমা লৈদুনা শিরিবনি হায়দি লাইনা মখল অমনা নাদুনা শিবা শোইদনা ওইগনি, অয়োকপা শা-ঙাশিংদা লাইনা শন্দোরকপা হায়বসে ঐখোয় মীওইবদসু খুদোংথিনিংঙাই ওইরিবনি।

তোম্পোক :- হৌজিক হৌজিক মপাল লমদা লাইচৎ ওইনা ঙানু য়েনশিংদা শন্দোরক্লিবা লাইনা বার্দ ফ্লু হায়দু ঐখোয়সিদসু য়ৌরক্লজাৎলনে, বার্দ ফ্লুনা নারবা ঙানু য়েনশিং অদুগা শোক্না শম্নরুবা অমদি চারুবদগী ঐখোয় মীওইবদসু শন্দোরক্তুনা মীওই কয়া শিবা ফাওবা য়াওরিবনি।

ইবেয়াইমা :- কমাই তৌনি অদুদি ঐখোয় স্বাইদসু লাইনা অদু শন্দোরক্লবদি (পাখৎপা)।

শকহেনবী :- ইমা অমুক্তা পাখৎখিগনু, কৈসু তৌরোইবা য়েন ঙানুশিং শিরিবা অদু বার্দ ফ্লু নাদুনা শিবা ওইরমগনি হায়বদু ফজনা হান্না কনফর্ম তৌদনা হেক্তা হায়বা য়াবা নৎতে।

তোম্পোক :- হোয়নে অদুবুদি চুমনিনে অদুবু ইবেম্মা হায়রিবা লাইনা অদুদগী ঙাকথোক্লবা উপাইদি তৌহৌবনা চুমগনি।

ইবেয়াইমা :- ঐদি সিদগীদি ঙানু, য়েন, য়েরুমগা অমতা চাজররোই।

শকহেনবী :- ভেটনরি দিপার্টমেন্টনসু লৌখৎপা য়াবা থবক ময়াম অমা লৌখৎলক্লগনি তশেংনমক ঐখোয় স্বাইসিদা বার্দ ফ্লু নারে হায়বসি চুল্লবদি লায়নাসিদগী ঙাকথোক্লবা থৌরাং কয়া অমসু পায়খৎলক্কনি, করিসু পাখৎনিঙাই ওইদে।

ঙানবা :- খুরা ... খুরা তোম্পোক... খুরাবু লৈবিদবরো ... খুরা তোম্পোক ...।

তোম্পোক :- কনানো মপান্দা কৌরিসিবো, কনা লাক্কে অমুক্তা য়েংলুচো।

শকহেনবী :- হায়মা দাদা ঙানবা, দাদা মঙালসনা নবানিদি পুল্লপ হৌনরগা লাকইসিবো কদায় কদায় চৎলুরিনো, ঐখোয়দা সুম লাকইরো।

ঙানবা :- মঙালসনাগী ঙানু য়েন খরা শিরে হায়দুদা মখোয়দা চৎলুবনি, খুরাহোয়, ইন্দোমচাহোয়সু উ্নদবা কুইরে হায়দুনা চংলকপনি।

মঙালসনা :- ঙানবনা শকহেনবী নোয়দা চৎলুসি হায়দুদা ঐসু হেক্তা লাকঅবনি।

শকহেনবী :- লাকও দাদা ইমুংদা চংঙসি লাকও, বাবাগা ইমাগসু ইমুংদা লৈয়ে, চংঙসি লাকও।

ইবেয়াইমা :- ইবুংঙো নোয় লাকইবরা, সে সে চৌক্রিসিদা হেক্তা ফম্মুসে। ঙানবা ! নমাদি কমদৌরি অনা-অয়েক য়াওদেকো।

ঙানবা :- হৌজিকফাওবদি করিসু থোইদোকপা অনা অয়েক য়াওদে ইন্দোমচা।

তোম্পোক :- ইবুংঙো মঙালসনা নঙগী যুমদা লোয়বা ঙানু য়েন শি হায়বদুবো করম তৌরবগে, শিরিবদুগী মরম খঙলব্রা?

মঙালসনা :- খুরা, হৌজিক ফাওবদি চপ চাবদি খঙদ্রি, ঐখোয়গী মরুপ ঙানবনা মাগী এসিষ্টেন্টদা ঙানু য়েনশিংগী ব্লদ সেম্পল টেষ্ট তৌনবা কল্লেক্সনদি তৌহনখরে, নুমিৎ খরনিগী মনুংদা চপ চাবা মরম খঙলনি।

শকহেনবী :- দাদা ঙানবা ! বার্দ ফ্লুগী সিম্পতোমশিংদি থেংনবরা, য়েন ঙানুশিং শিরিবা অমদি নারিবশিং অদুদা।

ঙানবা :- সিম্পতোমবুদি হায়ফেৎ মান্না থেংনৈ অদুবু ওইরমদবসু য়াই খল্লি, অতৈ ষ্টেটশিং বিহার, কেরলা, ওড়িষ্যনচিংবদদি পাক্তক্লনা বার্দ ফ্লু নত্রগা এভ্যিন ইনফ্লুয়েঞ্জা হায়রিবা উচেকশিংদা শন্দোকপা লায়না অসি শন্দোকখিবগী রিপোর্ট লৈরবনি অদুমকপু ঐখোয়সিদদি কয়াদি থাজদে।

মঙালসনা :- লায়না অসি ভাইরসনা শন্দোকপা লায়না নৎতরা ?

ঙানবা :- উম মানি, ঐইচ. ফাইভ এন. ৱান, ঐইচ. সভেন এন. নাইন, ঐইচ. ফাইভ এন. আইটনচিংবা ভাইরস মখলশিং অসিনা শন্দোকপা লায়নানি।

ইবেয়াইমা :- ইবুংঙো হৌজিকসে শা-ঙাশিংদা নৎতনা ঐখোয় মীওইবদসু হান্না নারমদবা লায়না মখল কয়া অমসু শন্দোরক্লে, মসিবু কমাই তৌরকইজাৎনোনে।

ঙানবা :- ইন্দোমচা ! হৌজিক মালেমসিগী শাবদগী চাং ৱাংখৎলকপা, অইং-অশা, ঈশিং নুংশিৎকী খলদা অকায়বা কয়া থোরকপা হায়বদি ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী লায়নাশিং মরুওইনা বার্দ ফ্লু, কোলেরা, ইবোলা, প্লেগ, ট্যুবরকুলোসিসনচিংবা লায়নাশিং মফম কয়াদা চাং ৱাংনা শন্দোরক্লি হায়না ৱাইল্ড লাইফ কনজার্বেসন সোসাইটি (ডব্লিউ. সি. এস.) কী রিপোর্টকী মতুংইন্না হায়রি।

শকহেনবী :- দাদা ঙানবা কাংনা শন্দোকপা লায়নশিংগী চাং য়াম্না ৱাংখৎলক্লিবা অসিসু ক্লাইমেৎ চেঞ্জগা মরি লৈনবরা ?

ঙানবা :- উম, য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ, হৌজিক ঐখোয়গী ইরমদম অসিদা হান্না কয়া তোয়না শন্দোক্লমদবা লায়নাশিং মেলরিয়া, দেঙ্গি, চিকুনগুনিয়া, য়েল্লো ফেবর, ফিলারিয়িসিস, জপানিজ ইন্সেফেলাইটিসনচিংবা কাংনা শন্দোকপা লায়নাশিং শন্দোরক্লিবা অসিসু ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগীনি।

তোম্পোক :- ইবেন্মা ৱারীদা নবুং অনিসে চাগা পীথক্কনিবু কাওরুরে, চাদু অমুক্তা লোল্লুচোনে।

| | | |
|---|---|---|
| মঙালসনা | :- | ঐখোয়গী ওইরদি চাদু য়ারনি খুরা, নোংমা ওইনা থকচরগে, ঐ থবক খরসু তৌগদবা লৈহৌরি, চৎলসিরা ঙানবা। |
| ঙানবা | :- | হোয় চৎলসি, খুরা ঐখোয় অমুক চৎচরগে। |
| শকহেনবী | :- | দাদা ঙানবা নোংমা অমুক লাকউকো, ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা থোকহল্লক্লিবা লায়নাশিংগী মরমদা খরগা তাকপীয়ুকো। |
| ঙানবা | :- | হোয় হোয় লাক্কে লাক্কে, চৎলেকো। |

-ম্যুজিক-

(মতম: নুমিদাংৱাইরম, মফম: মঙালসনাগী য়ুম, য়েনশিংনা খোংবগী মখোল)

| | | |
|---|---|---|
| মঙালসনা | :- | ঐগী চাওরবা য়েঙ্গোলসে ইহাং হাংলে, খঙহৌদনা লাকখিবা লাইনা লাইওং খঙদবা অমনা ঐগী চেন চোংদুনা শান্নজরম্বা কাংদোং ফারবা য়েনবা য়েনবীশিং অয়াম্বা হাৎতোকপিখরে, লেমহৌরিবা খরাসিসু হিংগদৌরিবরা শিগদৌরিবরা ঐ তৌফম খঙদরে (নুংঙাইতনা হায়বা)। |
| শকহেনবী | :- | দাদা মঙালসনা কৈদৌরিনো য়েঙ্গোল মনাকসিদা নথন্তা মুরুম মুরুম শোন্দুনা লৈরিদুবো... দাদা মঙালসনা ! হায়মা কৌবগা অমতা খুমদে কৈদৌরগে হায়বনে দাদা। |
| মঙালসনা | :- | শকহেনবী ... ঐ সুম ৱাখল অমা খল্লিঙৈদা তাহৌদরে, নঙবু লাকপা কয়াম কুইরগে। |
| শকহেনবী | :- | কুইদ্রিদা হৌজিক্তা লাকপদা ঙাইরি, অদো দাদা নহাল বার্ড ফ্লু ওইবরা ওইদবরা খঙদোক্লবা টেষ্ট তৌখিবদুগী রিজল্ট লাক্লবরা ? |
| মঙালসনা | :- | হৌজিক ফাওবদি লাক্ত্রি, ঙানবা লাক্কনি হৌজিক, মদুদা মানা রিজল্টতু পুরকপসু য়াই। |
| শকহেনবী | :- | ঐখোয় শ্বাইদা অতোপ্পা মীগী য়েন ঙানুশিং শিবগী পাওদি অমতা তাদে, দাদাগী য়েনশিংখক্তনি হৌজিক শিরিবসি, বার্ড ফ্লু লায়না শন্দোরক্লবদি অতোপ্পা স্বাইদা লোইনরিবা য়েন ঙানুশিং অসিদসু পাকতক্লনা শন্দোরকফম থোক্তবরা ? |
| ঙানবা | :- | (তপ্পা চংলকপা) উম অচুম্বনি, শকহেনবী নঙনা হায়রিবদু, অকোয়বা অনকপা মফমশিংদা লৈরিবা য়েন ঙানু পুন্নমকশিং অসি বার্ড ফ্লু শন্দোরক্লবদি পাকতক্লনা শিগদবনি। |
| মঙালসনা | :- | নঙবু কদোমদগী ফাওজিল্লকইনো, উহৌ লাকহৌদেনে খঙবু খঙঙিনে তুংলোমদগী ৱা ঙাংলকপদুদা। |
| ঙানবা | :- | ঐখোয়দি ভাই নুংশিৎকুম্বনি য়ৌনিংবা মফমদা য়ৌবা ঙম্বা (নোকপা)। |
| শকহেনবী | :- | দাদা ঙানবা য়েন ঙানু শিরিবসিগী মরমদু খঙলব্রা? |

মঙালসনা :- ভাই, বার্দ ফ্লু শন্দোরক্লবরা হায়বা ঐখোয় স্বাইদা, ঐগী ঙানুশিং শিরিবসিগী মরম খঙলব্রা হায়বা।

ঙানবা :- হৌজিক ফাওবদি ঐখোয় স্বাইদা বার্দ ফ্লু শন্দোরক্ত্রি, শন্দোরকপা য়াবগী চাংদি ৱাংনা লৈ, মরমদি ঐখোয় স্বাইদসু শাবগী চাং ৱাংখৎলকপা মরমনা লায়না কয়া শন্দোরক্লবা মরম অমসু ওইরক্লিবনি।

শকহেনবী :- অদুদি করি মরমগীনো দাদা মঙালসনাগী য়ুমদা লোয়বা ঙানু য়েনশিং শিরিবদি।

ঙানবা :- মখোয়না চারিবা মচিঞ্জাকশিং অদুদা হু চেনবা পোৎয়ান য়াওবদগী শিবনি, অতৈ অতোপ্পা লায়না অমতনা শিবা নৎতে হায়না রিপোর্ট পীরক্লে।

মঙালসনা :- করিনো হায়রিসিবো, মখোয়দা ঐনা পীজরিবা মচিঞ্জাকশিং অসিদা করম্না হু চেনবা পোৎলম য়াওগদৌরিবনো?

ঙানবা :- কনানা খঙনি পোৎ য়োনলক্লিবা মীশিংনা পোৎয়ান য়ানশিনলকপসু নত্রগনা শোয়দনা ফৎতবা পোৎলম য়াওশিনখিবসু ওইবা য়াই।

শকহেনবী :- বার্দ ফ্লু লায়না ওইরমদ্রিবসি য়াম্না ফরে, য়েনাও মচাশিং অমুক লৈরগা য়োকখৎলসি।

ঙানবা :- ইমাদি লৈবা উদে, ইমাবু কদায়দা চৎখিগে মঙালসনা?

শকহেনবী :- হোয়নে হন্দক ঐনা লাকপা খুদিংগীসু ইনে শুংথেং থেংনদে, ইনেবু কদায়দা চৎখিগে।

মঙালসনা :- ঐখোয় ইমাদি মোয়গী নুপী মরুপকী কাংবুংশিং অদুগা লম কোইবা চৎখি, মথং হাপ্তাদদি হল্লক্লনি।

ঙানবা :- হৌজিক মপাল লমদা কাংনা শন্দোকপা লায়নাশিংনা মরম ওইরগা মী শিবগী চাং য়াম্না ৱাংখৎলক্লি, ইমাদুবু চেকশিন্নবা হায়খিদরো।

মঙালসনা :- ঐখোয়দগীদি ইমানা হেন্না গ্যান তাইদা মশা চেকশিনজখ্রজাৎনি।

শকহেনবী :- দাদা ঙানবা ! ঐখোয়গী লমসিদা নারিবা মেলরিয়া হায়রিবা কাংনা শন্দোকপা লায়নাসিদগীদি আফ্রিকাগী লম নাইরোবিনচিংবা মফমদা নাবা মেলরিয়া মখলসিনা হেন্না শাথি হায়রিসিবু চুন্ব্রা ?

ঙানবা :- উম অচুম্বনি, আফ্রিকাগী মফমশিংদা শন্দোক্লিবা মেলরিয়া মখল অসিদি সেরেব্রেল মেলরিয়া হায়বদি ব্রেনদা শোকহনবা মেলরিয়া মখল অসিনা নমনা নায়, ঐখোয়গী লৈবাক ভারত্তদি সেরেব্রেল মেলরিয়া অসি কয়া নাগন্দে।

মঙালসনা :- মেলরিয়া লায়না অসি এনোফেলিস হায়রিবা কাং মখল অসিনা প্লাজমাডিয়ম পেরেসাইট অসি মশাদা য়াওদুনা পুরক্লগা অমুক মীদা চীকপা মতমদা মহিক অসি থাজিনলমদুনা মেলরিয়া লায়না অসি নাহনলক্লিবনি, লায়না অসি ট্রোপিকেল্জল অমদি সব-ট্রোপিকেলগী মফমশিংদনা হেন্না নাই হায়বসি চুম্মীকো।

ঙানবা :- অচুম্বনি ভায়, খরা হেন্না শাবা মফমশিংদনা হেন্না মেলরিয়া লায়না অসি নাগল্লি, হৌজিক গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইরগা লায়না অসি মালেমগী মফম অয়াম্বদা শন্দোরক্লে।

শকহেনবী :- দাদা ঙানবা ঐনা সাইন্স জর্নেল অমদা থেংনখিবা ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গানাইজেসনগী ইং ২০১৬ কী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না মালেমসিদা লৈরিবা অপুনবা মীওইবগী তংখাই অমরোমদি মেলরিয়া লায়না নারকপা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়রিবসি চুল্লবদি য়াম্না খুদোংথিনিংঙাইনিকো।

ঙানবা :- উম, পুম্নমকসি মালেমসিদা অইং-অশাগী খলদা অহোংবা অকায়বা কয়া থোরকপদগীনি। সেন্তর ফোর দিজাষ্টর কন্ত্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সি.দি.সি.) গী ২০১৮ গী রিপোর্টকী মতুংইন্না মালেমসিগী লৈবাক ১০০গী মথক্তা মেলরিয়া লায়না অসি শন্দোক্লি, অদুগা লায়না অসিনা খ্বায়দগী হেন্না শোকহনবা লৈবাশিংদি আফ্রিকা, সাউথ এসিয়া, সেন্ত্রেল অমদি সাউথ আমেরিকা, কারিব্যান অমদি পেসিফিক আইলেন্দগী মফমশিংনি হায়না হায়রি।

মঙালসনা :- হৌজিক মালেমসিদা গ্লোবেল ৱার্মিং থোরক্লিবসিগী মরুওইবা মফমশিংদি মীশিং খঙহেন হেনগৎলকপা, খোনিগী থবক হেনগৎলকপা, ফোশিল ফ্যুলশিং কা হেন্না শিজিন্নরকপা, সন্সপোট এক্টিভিটিজ হেনগৎলকপা মরম ময়ামসিদগীনিকো।

ঙানবা :- মানি মরুপ, হৌজিক মালেমসিগী ওইরক্লিবা হোংলক্লিবা ক্লাইমেৎকী মওং মতৌ অসি য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরবনি।

শকহেনবী :- হায়মা ৱারী শারিঙৈদা নুমিৎ তাখিবগা অমতা খঙহৌদরে, ঐ চৎলগে দাদা, ঐ চৎলে ইমানা চৈরম্লগনি।

ঙানবা :- ঙায়খোনে নঙবো ঐ থিনবীগেনে, শকহেনবী ঙায়খো হায়বনি।

-ম্যুজিক-

(মফম: তোম্পোক্কী য়ুম, মতম: সন্ধ্যা মতম)

তোম্পোক :- ইবেয়াইমা... ইবেয়াইমা নঙবু কদায়দা লৈবগেনে, ঐবু ইশাসি ইংবনা নীক্লেনে... নঙবু অমুক্তা লাও হায়বনিনে।

ইবেয়াইমা :- (শাওরি শাওরি) হো করি তৌরগে পংকৌদা কৌই, সন্ধ্যাগী লাই ধুপ ঙহাক্তং থানবসিফাওবা থানফম লাকফমগা অমত্তা খঙদে।

তোম্পোক :- (শাওবা) ঐনা নঙবু কৌরিবসে কৌনিংদনকা কৌজবা নৎতেকো, ইশাসে নুংঙাইরক্তবদুদা কৌবনি।

ইবেয়াইমা :- করি তৌরে হায়বনো, হায়মা মোয়বাবাগী হকচাংসিদি য়াম্না শারেনা, লাইহৌ হৌরমাল্লে।

তোম্পোক :- অদু ঙাংদুনা লৈদৌ শরুক, হোট ৱাটর বেগতু খরা হাল্লকউনে নঙবো, আস ! ইংবসি সুম সুম হেনজিল্লকপদৌনা তৌরে, ফৈজুপ অথাবশিংদুসু খরা হাপচিল্লকউনে (লাইহৌ হৌবা)।

ইবেয়াইমা :- সে সে ব্লাঙ্কেট অচৌবসিমসু শুপচিল্লক্লগেসে। ঐ ৱাটর বেগ অমুক্তা হাল্লকখিগেকো।

তোম্পোক :- হোয় হোয় খরা থুনা হাল্লকউ, নচানুপীদুনা হৌজিক ফাওবা লাকত্রিসিনা কদাইদা চৎখিগেনে।

ইবেয়াইমা :- খঙদে মদুগী নুপীমচাদুসু য়ুমগী মখাদা ঙহাক্তা লৈতে, হৌজিক নুমিৎ তাশিল্লক্লবসি ফাওবা কদাইদা লৈরিজাৎনো, খরদি কা হেনমল্লে, মা, লাক্তা লাকখিসনু ঙসিদি খঙনি।

শকহেনবী :- (হোবে হোবে লাকপা) ইমা চাক থোংগৎলবো, চাক্তু ঙসিদি ঐ ওইনা থোংলগে।

ইবেয়াইমা :- আ... আ... হুম চৎখৈ চৎলুরগা হৌজিক্তা হঞ্জিল্লক্লগা অশিংবা শারদনা চাক থোংবিগেকা হায়রদনা, হে নঙ হৌজিক ফাওবা কদায়দা লৈরুই, হা কদাইদা লৈরুগে।

শকহেনবী :- ঐখোয় ইমাসিমা, দাদা মঙালসনাগী য়েন ময়াম শিবদুদা নুংঙাইতদুনা চৎপীরুবনিবা, ৱারী সুম শারিঙৈদা খরা থেংদোকখিবনি, দাদা ঙানবনা ঐখোয় কোন্থোং ফাওবা থিনবীরকইনি।

তোম্পোক :- (মশা ঙমদনা) হায় কৈদৌরগেনে নোয়বো ৱাটর বেগতু পুরকওনে, ঈশিংদুবু শাদ্রিব্রো, ঐবু ইংমন্দনা ইশাগসে নীকপনা লোইরেনে।

শকহেনবী :- বাবা কৈদৌরগে, ইশা ঙমদ্রবো, ঙসাইদি কৈসু তৌহৌদদাইনে, কৈদৌরগে হায়বা (পাখৎনা)।

ইবেয়াইমা :- সে সে ৱাটর বেগ হায়দো লৈরেসে, ফৈজুপ মনুংসিদা খোঙ মনাকসিদা থল্লগে।

তোম্পোক :- (স্বর চনিং চমাং শম্নদনা) খংদে ইপাসু কৈদৌরবনো, ঙসাইখৈ কৈসু তৌরন্বা নৎতে, হৌজিক ঙহাক্কী মমাংদা ইশাসে খঙউইং ইংলকই, কোকসিসু য়াম্না চীকই, তাং তাংসিসু লোয়না নারে।

শকহেনবী :- ইমা বাবাসে হোস্পিটালদা ওইনা পুরসিরা, হৌজিক সুমাইনা লাইহৌ হৌবা, কোক চীকপসে কাংনা শন্দোকপা লায়না ওইগল্লি।

ইবেয়াইমা :- ঙাইখোদা চুম্নগী লোক লাইহৌ ওইরম্বসু য়াই, মওং অমা য়েংখিসি।

তোম্পোক :- হায় ঐবু ওসু য়াম্না ওনিংলেনে, আ ইশাসে কৈনোমা ইতৌ তৌরে খাংফমগা অমতা খঙদরেদা ঐ... ... ।

শকহেনবী :- বাবা সে অমুক্তা স্বরদু শাংনা শাংনা হোন্থবীয়ুসে, কৈসু তৌরোইসে।

তোম্পোক :- হা ... হা ... ইস ওনিংবনা খাংবা ঙমদরে, কোকসিসু কাইদৌরে চীকপনা ... ওক... ওক... (ওবা)।

ইবেয়াইমা :- মোয়বাবা ! মোয়বাবা সে চনিংসে অমুক্তা নমথগেসে... ইবেন্মা ঈশিং খরা পুরকউনে নঙবো...।

শকহেনবী :- হোয় ইমা ... বাবাসে ঈশিং সিদা লৈরে চীন্দু অমুক্তা তেংথোকসিসে।

ইবেয়াইমা :- ইবেন্মা নপাসিবু হৌজিক্কী মোয়গী কাংনা শন্দোকপা লায়নাশিং দেঙ্গি, জপানিজ ইনসেফেলাইটিসকা হায়দু নারবজাৎলা হায়মি।

তোম্পোক :- (নাহেবা) ঐ খাঙফম খঙদরে... হা কোকসি কাইদৌরে।

ইবেয়াইমা :- ইবেন্মা নোয় দাদা ঙানবদু ফোন তৌরগা অমুক্তা কৌ হায়বনি, ইমাদি তৌফম অমা খঙলক্তরে।

শকহেনবী :- (ফোন কিপেদ নম্বা) অস ! ফোন রিংদি চৎলি, পাইরক্তে, কমাই তৌনি ইমা, দাদা মঙালসনাদা অমুক তৌগে।

ইবেয়াইমা :- হোয় হোয় তৌরো তৌরো, নপাসি মশাসিসু নীকপনা কৈনোমা তৌরে... ... মোয়বাবা ... মোয়বাবা ...।

শকহেনবী :- (ফোন কিপেদ নম্বা) ... সিসু রিংদি চৎলি শুংপাই হেক পায়খৎলক্তে... (রি অদুম চৎপা)।

মঙালসনা :- হল্লো... শকহেনবী কৈদৌরে, করি অথুবা লৈরে।

শকহেনবী :- দাদা মঙালসনা ঐখোয় বাবাদো মশা য়াম কন্না ঙমদরে অমুক্তা থুনা লাকপীয়ো, দাদা ঙানবদুসু ফোন পায়রক্তে, দাদা খরা থুনা লাকপীয়ো অমুক্তা।

মঙালসনা :- হোয় হোয় লাকঅগে, ঙানবদুসু ঐ থীরগা পুরকঅগে, অদুগা করি করিনো তান্নরসি।

শকহেনবী :- হোয় দাদা, খরা থুবীরকও, (ফোন থম্বা)।

ইবেয়াইমা :- ইবেন্মা নপাসি মমিৎকা অমতা পাংঙু হায়বা য়াদরে, মশাসিসু মৈমুক শারে, ফী অমোনবসিনা অমুক্তা নাম্থোকখিগে।

তোম্পোক :- (চোয়রোল লোনবা) পাবা... ইমা... ঐসু লাক্কে ঙায়খোও... ঐ ইতোমতা হুনদোক্লমগনো ... ঙাইখো পাবা... ঙাইখোও ইমা...।

শকহেনবী :- বাবা... বাবা... কৈনো বাবানা ঙাংঙীবা ময়ামদুবো... বাবা... সে তাবরো মীৎ পাংঙো হায়বা।

ইবেয়াইমা :- নপাসে মশাসি য়াম শারে অদুনা চোয়রোল লোল্লিবনি। মোয়বাবা... সে... তারবরো...।

তোম্পোক :- উম... উম... তারে... ঐবু করি তৌরগে... আ (তপ্না হায়বা)।

মঙালসনা :- ইনে... শকহেনবী... খুরাবু কৈদৌরগে, কমাই তৌরিনো ?

ঙানবা :- ইন্দোমচা ! খুরাগী মশাসি টেম্পরেচরসু য়াম্না ৰাংলে, লাইওংসিসু ঐনা চীংনবা খরা লৈরে অদুনা হোস্পিটালদা ওইনা পুবনা ফগদরা খল্লি।

মঙালসনা :- খুরা... খুরাবু ইশা য়াম্না নুংঙাইত্ৰবো?

তোম্পোক :- উম... ঐগী কোকসিসু চীকপনা খাংফম খঙদরে।

ঙানবা :- কৈসু তৌরোইদা খুরা, হোস্পিটালদা চৎলগা য়েংথোক্লুরসি অদুগা অদুম থুনা ফজনিদা।

ইবেয়াইমা :- হোস্পিটালদা চৎপদি কমাইনা চৎসিগে করি গাড়ীদা ওইনা পুসিগে নোয় খুরাসিবো।

শকহেনবী :- দাদা এম্বুলেন্স অমুক্তা কৌবীয়ু। এম্বুলেন্সতা পুরগা খরা খুদোং চাগদবা মাল্লি।

মঙালসনা :- হোয় হোয় কৌরগে, হোস্পিটাল চৎপদা পুগদবা পোৎ-চৈ, ফিরোলগদু লোইশিল্লুরো (ফোন তৌবগী মওং)।

ইবেয়াইমা :- ইবেন্মা সে নপাসিসু অমুক্তা মফি মরোল হোংদোকপীসিসে।

ঙানবা :- ঐখোয় লৈকায়দসু হৌজিক হৌজিক দেঙ্গিনা নাবা মীওই অনি শুরে হায়না হায়, ঐদি খুরাগী অনাবসিসু দেঙ্গি ওইরমগদ্রা চীংনরিবনি।

মঙালসনা :- ঐসু ঙসাইনা চীংনরবনি, মতম অমদদি সিগুন্বা মখলগী লায়নাশিং অসি ঐখোয়গী লমসিদদি লৈরমদবনিকো।

ঙানবা :- পুন্নমকসে অইং-অশাগী খল কায়রকপদগী থোরক্লিবা ঙাক্তনি।

মঙালসনা :- খরা লৈরদি ঐখোয় স্বাইদসু ইবোলা ভাইরস দিজিজ, জিকা ভাইরসনচিংবা মখল মখা লায়না কয়া শন্দোরক্লনি, তীল কাংনা শন্দোকপা লায়নাশিং অসি শাবগী চাং ৱাংখৎলক্লিবগী মতিক হেনগৎলক্কদৌরিবনি।

শকহেনবী :- দাদা এম্বুলেন্স হায়দুবু কৌবীখ্রবরা?

ঙানবা :- কৌখ্রবনি য়ৌবু য়ৌরক্লনি, নোয়বু শেম শাবা লোইরব্রো।

শকহেনবী :- লোয়রে, দাদা ঐখোয় বাবাগী অনাবসিবু করি ওইদোই জাৎনো, জপানিজ ইনসেফেলাইটিস হায়দু ওইদৌরিজাৎলা, বাবানা মকোক য়াম নারে, চীক্লে হায়রিসিবো।

ঙানবা :- ওথোকপদি য়াওব্রা? কোক চীকপা নৎতনা?

শকহেনবী :- উম ঙসাই ঙহাক্কী মমাংদা য়াম্না ওথোকখরে।

ঙানবা :- ঐদি দেঙ্গি ওইরমগদ্রা খল্লিবনি।

শকহেনবী :- অদুদি কমাই তৌনি, ঐদি য়াম পাখৎলে।

মঙালসনা :- কৈসু তৌরোইদা, পাখৎকনু, করিসু অরুবা ওইরল্লোই, চুন্নগী লাইহৌ ওইরমগনিদা।

ইবেয়াইমা :- (পাখৎনা) মোয়বাবা মোয়বাবা সে নমীৎ পাংঙো হায়বনে, হোস্পিটালদা চৎলসি হায়বনি, সে তারবো।

তোম্পোক :- (কন্না কন্না নাহেবা) হা... হা ... হা... (স্বর খংলেপ লেপখিবা)।

ইবেয়াইমা :- মোয় বাবা মোয়বাবা... সে মীৎ পাংঙো... সে মীৎ পাংঙো... ইবেম্মা... নোয় বাবাসে কৈনোমা তৌখরে হায়বনি অমুক্তা লাও হায়বনে।

শকহেনবী :- (পাখৎনা) বাবা কৈদৌরে হায়বনো।

মঙালসনা :- খুরা ... খুরা কৈদৌরগে।

ঙানবা :- (এম্বুলেন্স লাকপা) সে অমুক্তা থুনা হোস্পিটালদা পুনবা তৌসি (ময়াম কোইলাং লাংবা)।

-ম্যুজিক-